**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-07.2024)**

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-ঙসি রিলিফ কেম্পতা অৱাবা মায়োকরিবা অমদি থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মীওই কয়া অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ওইনা অচৌবা অহোংবা অমদি তুংগী মীরোলদা তংদু লৈতাবা পুন্সি অমা পীদুনা অশেংবা সনা লৈবাক অমা ওইরগনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সনদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ বিনিফিটস টু বিনিফিসরিজ এন্দ লোনচিং ওফ ভেরিয়স স্মিম হায়বা বিনিফিসরিশিং, মরুওইনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অমদি হন্দক্কী ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা বিনিফিটশিং য়েন্থোকপা অমদি সরকারগী ওইবা অনৌবা স্কিম কয়া হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

শ্রী বিরেননা হায়-মতম শাংনা অৱাবা মায়োকদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈদুনা অৱাবা খাঙলিবা মীওইশিংদা সরকারগী মায়কৈদগী করি মতেং পাংবা য়াবগে হায়বা ৱাফম কুপা খন্নরবা মতুংদা ঙসিগী বিনিফিট য়েন্থোকপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি পাল্লিবা সরকার অসিনা ওইরক্কনি হায়না খল্লুবা থৌদোক নত্তে। সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাং চাউশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

শ্রী বিরেননা হায়-সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী মরুওইবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি অমসুং মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক পায়খৎলি। এন.আর.সি. চৎনহন্নবগীদমক বাইওমেট্রিক লৌবগী থবক হৌখ্রে। ফ্রি মুভমেন্ট রিজিম লৌথোক্তুনা মীতোপশিং চংথোক চংশিন তৌবদা কুপা য়েংশিল্লি।

মহাকা হায়-কেন্দ্র সরকারনা মনিপুরগী শক্তম কায়হন্দনবা অচেৎপা ৱাফম থন্লক্লি। ওইরিবা ফিভম অসিদা রাজনিতিগী ওইবা লমদা পুথোক্তুনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী মহুৎতা ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা থোরক্লিবা ইরাং অসি করিদগীনো হায়বা অদু থিদোকমীন্নদুনা লৈবাক অসিবু শান্তি পুরকবা হোৎনমীন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা লুপা কোতি ৩৩০ লোমগী ওইগদবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিংসু বেনিফিসরি লাখ ৪ হেনবদা য়েন্থোকখি।

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** যুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা মরৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন নোংম-নোংমগী মমি শামথরক্লি। হৌগৎলক্লিবা নহাশিং অসিদা মমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেলহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা ঙসি, প্রাইট ওফ মনিপুর-ওলিম্পিয়ান এন্দ নেসনেল এৱার্দি ওফ মনিপুর হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোংবগী থৌরমদা ৱাফম অসি শ্রী গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখিবনি।

শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-হৌজিক লৈরিবা স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি মালেম থাক্তা পুখৎনবা সরকার অসিনা হোৎনরি। মহাকা হায়-ঙসি ফোংলিবা লাইরিক অসিনা শকাইরবা শান্নরোইশিংগী মরমদা মীয়ামদা খঙহন্নবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। লমদমসিগী মীওইশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মখলগী হৈথোই শিংথোইবশিং অসি মীয়মাদা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি। ঙসি ফোংখিবা লাইরিক অসিগী এদিটরশিংনা-সনসম য়াইফবা সিংহ, বিষ্ণুলাৎপম বিরলা শর্ম্মা অমসুং সুকদেব শর্ম্মা হঞ্জবমনি।

**হায়ৰেঃ** নেসনেল হায়ৱেজ এন্দ ইনফাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদ (এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল) না নেসনেল হায়বে ২০২, উখ্রুল-জেসামি লম্বী চয়োল অমগী মনুংদা শেমজিন্নবা টেন্দর কৌখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং মহৈরোইশিংগী লুপ-রাফৈ কতমনাউলোং আর.কে.এলগা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী চেম্বরদা খন্নরবা মতুং ৱারেপ অসি লৌখিবনি। পনবা য়াই, হায়ৰে অসিবু ফজনা শেমজিনদে হায়বগী মতাংদা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিস ঙরাং মহৈরোই লুপ অসিনা ছো লোনশিনখিবনি। উখ্রুলগী দি.সিসু মফম অদুদা লাক্তুনা লম্বীগী ফিভম য়েংশিনখি।

**ডে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড পোপুলেসন ডেগী নুমিৎ রাজ্যগী থাক্তা ষ্টেট হেলথ সোসাইতি-মনিপুর অমসুং দিরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি হেলথ সার্ভিসেস অনিনা খুৎশমরগা ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোর্ডতা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি সার্ভির্সেসকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

হন্দক চহিগী পান্দমদি, হেলদি টাইমিং এন্দ স্পেসিং প্রেগেন্টসিজ ফোর ৱেল বিয়িং ওফ মাদর এন্দ চাইল্ড হায়বা অসিনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ ও. সনাহনবীনা হায়-রাজ্য অসিদা মীয়ামনা কিন্নরবা লায়চৎ কয়া অমা লাকখি। অদুবু নীংথিনা লাকশিনদুনা মীওইবশিংগা পুন্না লৈমিন্নদুনা লাক্লি। মতৌ অসুমা মীশিং হেনগৎপদা ঐখোয়না য়ামা চেকশিনবা দরকার তায়। পুন্না হোৎনমীন্নবা অমদি লিংজেল মান্ননা চৎপা মথৌ তায় হায়না ফোংদোকখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** চহি অসিগী ওইনা নেসনেল ফিস ফামরস ডেগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ফিসরি ইন্সটিট্যুটশিংনা মনিপুরদগী ঙা ফার্ম তৌবা মীওই অহুম মখোয়না রাজ্য অসিদা ঙাগী পোৎথোক পুথোকবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু শিংথারদুনা ভেষ্ট ফামরস এৱার্ডকী মনা পীরকখ্রে।

কোলকাতাগী বরকপুরদা লৈবা আই.সি.এ.আর. সেন্ত্রেল ইনলেন্দ ফিসরি রিছার্স (সি.আই.এফ.আর.আই) গী মায়কৈদগী ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা উচিৱাদগী কবি মীতৈ নাওরেমদা ভেষ্ট ফিস ফামর-২০২৪ গী মনা পীখি। কমজোং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা চাদোংদগী রোক্সন কাশুংদা ত্রিপুরাগী লেম্বুচেরাদা লৈবা কলেজ ওফ ফিসরিজগী মায়কৈদগী ভেষ্ট ফিস ফার্মর এৱার্ড অমসুং উত্তরখন্দগী আই.সি.এ.আর. দিরেক্তোরেট ওফ কোল ৱাটর ফিসরি রিছার্সকী মায়কৈদগী উখ্রুল জিলাদগী ফুংখাজাই মহুং খুইয়াদা প্রোগ্রেসিপ ফিস ফার্মরস এৱার্ড ২০২৪ গী মনা পীখি।

**কেম্পঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী সি.এম.ওগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি অমসুং এসোসিয়েসন ওফ মীতৈস এন্দ আমেরিকাগা পুন্না শিনদুনা ঈচাওনা শোকহল্লবা কোংবা নোংথোংম্বম লৈকাইদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ৮০ রোম লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

**প্রোটেষ্ট (এল)ঃ** ওল ককচিং ক্লবস কো-ওর্দিনেটিং কমিতি-ককচিংনা শিনদুনা ককচিংদা লৈরিবা সি.এস.ওশিং জে.এন.জি.ভি.ও. ককচিং অমদি ভোলুন্টিয়ারস কো-ওর্দিনেটিং কমিতিনা ককচিং বজারগী নাউহালাই লম্পাক্তা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে।

থা অমা অনি অসিদা ককচিংগী মীয়ামশিংদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা শেলগী দিমান্দ কয়া চথরক্লিবা অসি য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম অদু ফমখিবনি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী কেন্দ্রগী বজেটকী মতাংদা ইকোনোমিষ্টশিংগা উন্নদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা নিতি আয়োগতা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারমন, নিতি আয়োগকী ভাইস চেয়ারমেন-সুমন বেরি, প্রধান মন্ত্রি ওফিসকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-পি.কে. মিশ্রাসু শরুক য়াখি।

সংসদকী বজেট মীফম থা অসিগী ২২ দা হৌরগনি অমসুং মথংগী নুমিৎতা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা কেন্দ্রগী বজেট পুথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অহুমলকশুবা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপগী অহানবা বজেট মীফমনি।

**বিমস্তেকঃ** অনিশুবা বিমস্তেক লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়-ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসিনা বিমস্তেক কোরপোরেসনদা অনৌবা ইনর্জি হেন্না পুথোকবগী ৱাফম খন্নখি। মহাকা হায়-লম্বী থোং, শিক্ষা, লল্লোন ইতিক, হকশেল, দিজিটেল পব্লিক ইনফ্রাষ্টকচর ফাগৎনবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

**নিটঃ** শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধানগা মহৈরোই কাংবু অমগা উন্নদুনা নিট (য়ু.জি) গী পরিক্ষাগী মতাংদা ঙসি ন্যু দিল্লিদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা পরিক্ষা অসিগী মতাংদা মহৈরোইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা শ্রী প্রধানদা পাউদমখি। মরক অসিদা, পরিক্ষা অসিগা মরী লৈননা চত্থরিবা কেস অসিগী হিয়ারিং থা অসিগী ১৮ দা মখা চত্থনবা সুপ্রিম কোর্টনা ৱারেপ লৌখ্রে।

**হেলথঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইদুনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ফেমিলি প্লানিং অমসুং পোপুলেসন কন্ত্রোলগী মতাংদা ওন লাইনগী খুত্থাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্ল্ড পোপুলেসন ডেগা মরী লৈননা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী নদ্দানা হায়-লৈবাক অসিগী রাজ্য পুমমক্কী সহর অমসুং ব্লোক পুমমক্তা সরকারনা পীরিবা হকশেলগী খুদোংচাবশিংনা মপুং ফানা লৌগদবনি। হকচাং ফনা থমবা হোৎনবদা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা পুন্না থবক পায়খৎমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা সুগম হায়না মিংথোনবা মথৌ কয়া তৌগদবা ফেমিলি প্লান্নিং দিসপ্লে মোর্দেল অমসু হৌদোকখি। মসিনা মীয়ামদা ফেমিলি প্লান্নিংগী মরমদা মীয়ামদা হেন্না ভাব তাহনবা ঙমহল্লগনি। শ্রী নদ্দানা হকশেলগী মতাংদা নৌনা পুথোকপা রেদিও স্পোর্ট মৈদি জিঙ্গলসু হৌদোকখি।

**বিজেপিঃ** বি.জে.পিনা হায়রি-ইং ২০১৪ দগী ২০২৩ ফাওবগী চহি তরা অসিদা মাওই কোতি ১২ হেনবদা থবক পীখ্রে। মসিনা মালেমগী ওইনা থবক খ্বাইদগী পীবা ঙম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতসু অমা ওইরি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা বি.জে.পিগী ৱাঙাংলোয় অমনা হায়-মমাংদা পাল্লম্বা য়ু.পি.এ. সরকারগী মতমদা থবক ফংখিবগী চাং অদুগা য়েংনবদা বি.জে.পিনা সাসন তৌবা মতমদা মীয়ামদা থবক ফংহনবগী চাং শিংথানিংঙাই ওইখি। মহাকা হায়-মসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্রগী মরা চেৎপা সরকার অমসুং রাজনিতিনা ঙমহনবনি।

**উত্তরাখন্দঃ** উত্তরাখন্দগী চামোলি জিলাদা লৈবা বদ্রিনাথ নেসনেল হায়ৱে চিং নিংখায়রকপদগী ঙসি নুমিৎ হুমনি শুরবা ফাওবা চৎথোক চৎশিন য়াদনা লৈরি।

এস.দি.আর.এফ. পার্সোনেলশিংনা লম্বী শেংদোকপগী থবক কন্না পায়খৎলি। নাকল অমরোমদা, পটল গঙ্গা লাংশি তর্নেল অমসুং ভেনর পানিগী মফমশিংদদি চিং নিংখায়বগী লৈবাকশিং অদু খরমখৈ শেংদোক্কুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবা হৌরে।

**সোনোৱালঃ** কেন্দ্রগী পোর্ট, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱালনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মরুওইবা হিথাংফমশিং শেমগৎপগী থবক মপুং ফানা লোয়শিল্লে।

কেরলাগী তিরুবানন্তপুরমদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা পুন্না উন্নবগী মীফম অমদা ৱাফম অসি শ্রী সোনোৱালনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা সিপিং অমদি মেরিটাইমগী মতাংদা পায়খৎলম্বা থবকশিং হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা মখা তানা শমথদুনা লম অসিদা হেন্না চাউখৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা হীরম অসিদা মালেমগী লৈবাকশিংগা চাংদমবদা ভারতনা মাংজিল থাবা ঙমগনি।

**জেকেঃ** হৌখিবা চহি ১৩ অসিদা জম্মু কাশ্মীরদা আইন কায়না মপানদগী চংশিল্লক্তুনা লৈরিবা মীওইশিং খন্দোকবা মীওই ৭ না শাবা পেনেল অমা শেমখ্রে। মীহুৎ কাংবু অসিনা মীতোপ খন্দোকপগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী মরমদমদা হলহনখিনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি। কমিতি অসিনা ইং ২০১১ দগী য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা আইন কায়না চংশিল্লক্তুনা লৈশিল্লিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্কনি। হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন তেরিতোরি সরকার অসিদা হোম দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা ঙরাং হুকুম অমা থোক্তুনা খঙহনখিবা লৈরে।

হায়রিবা মীহুৎ কাংবু অসি হোম দিপার্টমেন্টকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ সেক্রেটরিনা লুচিংলি। অদুগা মেম্বর ওইনা ফোরেন্নর রিজনেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার পঞ্জাব, জম্মু অমদি শ্রীনাকর হেদক্বাটরগী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (স্পেসিয়েল ব্রাঞ্চ), জিলা খুদিংমক্কী এস.পিশিং, ফোরেন্নর রেজিষ্ট্রেসনগী এস.পি অমসুং নেসনেল ইনফোর্মেতিক সেন্তরগী ষ্টেট কো-ওর্দিনেতরশিংগী মীহুৎশিং য়াওগনি।

পনবা য়াই, কমিতি অসিনা মীতোপশিং বাইওমেত্রিক অমসুং বাইওগ্রাফিক

রেকোর্দনচিংবসু লৌখৎতুনা থা খুদিংগী গৃহ মন্ত্রালয়দা রিপোর্টশিং থাগনি।

**ফুটবোল** ঃ ইংলেন্দ য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেল চংখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিগী অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা
ইংলেন্দনা নেদরলেন্দস পাঞ্জল ২-১ মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী ফাইনেলদা স্পেনগা ইংলেন্দগা থা অসিগী ১৫ দা শান্নরগনি।

অমরোমদা, কোপা আমেরিকা চেম্পিয়নসিপতা কলম্বিয়া অমদি আর্জেন্টিনা অনিনা ফাইনেলদা থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ অসি থা অসিগী ১৫ দা শান্নগনি।